# রাফেল দিলগী ৱাথোক চাউথোরক্লে, জে পি সীনা থিগৎহন্নবা দিমান্দ তৌরকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): রাফেল ফাইটর জেট দিলগী মতাংদা লৈঙাক অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরক্তা চীনগী লানদা শরুক য়ারদুনা সমাজৱাজদি পার্টি (এস পি) গী লুচিংবা অখিলেস যাদবনা ঙসি ৱাথোক ওইরবা অমসুং ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী মরক্তা তৌনবা দিল অদু জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কন্মিটি (জে পি সী) অমনা থিগৎহন্নবা তকশিল্লকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা এস পিগী লুচিংবা অদুনা হায়, জে পি সীনা থিগৎলবা মতুং অচুম্বা অদু পুথোকপা ঙমগনি। মদু নৎত্রবদি মালেমগী ইস্যু অমা ওইরবা হিরম অদুগী মতাংদা অচুম্বা খঙবা ঙম্লোই। মরম অদুনা রাফেল দিলগী মতাংদা জে পি সী অমা শেমদুনা থিগৎহনগদবনি হায়খি।

হৌজিক রাফেল দিলগী ৱাফম অসি মালেমগী ওইবা ইস্যু অমা ওইরক্লে। হিরম অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি। রাফেল দিলগী মতাংদা হৌজিক মায়োন হোংলকপগী ফীভম অমা লৈরে। ফ্রান্সকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ফ্রাঙ্কোইস হোলেন্দনা অনিল অম্বানিগী রিলাইয়েন্স দিফেন্সপু দসোল্ট এভিয়েসনগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা রিকমেন্দ তৌরকখিবা লৈ হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। মদুগী মতুং কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হুরানবা, শেঙ্গা-থুমজ তৌবা মীওইনি হায়না অকনবা এটেক চত্থরকখ্রবনি।

রাহুল গান্ধীনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা মতুং বি জে পিনসু চপ চাবা পাউখুম পীরকপগী থৌওং চত্থরক্লে। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী মরক্তা অকনবা মওংদা অৱাই অখুম তৌনরি। অরুন জেটলিনা ফ্রান্সকী হান্নগী প্রসিদেন্ট ফ্রাঙ্কোইস হোলেন্দনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমগী মতাংদা হায়, দসোল্ট এভিয়েসন অমসুং রিলাইয়েন্স দিফেন্সকা থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা ফ্রান্স লৈঙাক নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খুৎ থিংজিনখিবা লৈতে। কম্পেনি অনীগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম অমা পুরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা লৈঙাক্না শেল থাদবা হেল্‌ঠ ক্যের প্লান হৌদোকখ্রে



রাঞ্চি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি আয়ুসমন ভারত- প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা হৌদোকখ্রে।

ঝরখন্দগী কোনুংদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, ঙসি হৌদোক্লিবা থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী হেন্না লায়রবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মালেমগী লৈবাক অতৈদা অসিগুম্বা অচৌবা হেল্‌ঠ ক্যের প্রোগ্রামশিং পায়খৎপা লৈতে। প্রোগ্রাম অদু থা তরুক্কী মনুংদা হেন্না পাকথোক চাউথোকহনগনি। মদু লৈঙাক অসিগী অচৌবা মায় পাকপগী খোঙথাং অমনি। মহাক্কী টিম অদুনা হৌজিক হেন্না মপাঙ্গল লৈবা থৌশিল কয়া পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা মীওই ক্রোর ৫০ দা থৌজাল অমগা মান্নরবা থৌশিল অদু ঙসি হৌদোক্লে।

স্কিম অদুগী মখাদা হোস্পিটাল ১৩,০০০ কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি। থৌশিল অদু হৌদোকখিবগা লোয়ননা লায়রবা মীওইশিংন হোস্পিটালদা লাক্তুনা স্কিম অদুগী খুদোংচাবা ফংননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা লাই খুরুম্লি। করিগুম্বা খুদোংচাবা অদু ফংনবা হোৎনবদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লরবদি মদু লাইবক থীবা অমনি। স্কিম অসিনা মীয়ামদা মতেং পীগদৌরিবনি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা স্কিম অদু মচেৎ ওইনা হৌদোকখিবা লৈখ্রবনি। কোংগ্রেসকী মতমদা মখোয়না লায়রবা অমসুং মীচমশিং-গীদমক করিগুম্বা অমত্তা তৌরমখিদে। অদুম ওইনমক লৈঙাক অসিনা হৌজিক্তি লায়রবা অমসুং মীচমশিং-গীদমক থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

মীয়াম্নসু পায়খৎলিবা থৌশিল অদুগী মরমদা খঙননবা হোৎনগ-দবনি। কোংগ্রেসকী মতমদা মখোয়না মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা অরানবা ৱাশক কয়া শকখিবনি। অচুম্বা ইস্যুশিংদা থবক তৌবগী মহুৎ মখোয়না লায়রবশিংদা থাজহন্দুনা নমথাক তৌখি। হন্দক হৌদোক্লিবা স্কিম অসি মীয়াম পুম্নমক্কী য়াইফনবা থৌরাং অমনি। কাঙলুপ-জাৎ খায়দোক্তুনা নৎত্রগা লাইনিং-লাইশোনগী মীৎয়েংদা খুদোংচাবা ফংগদবা মীওইশিং নাথৈদুনা থম্বা য়ারোই। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অসিগীদমক হেল্প লাইন নম্বর হাংদোক্লে। নম্বর অদুদি ১৪৫৫৫ নি। নম্বর অসিদা লৈবাক অসিদা লৈবা মীওইশিংনা ফোন তৌরক্তুনা স্কিম অদুগী খুদোংচাবা ফংননবা খঙহল্লকপা য়াগনি।

আয়ুসমন ভারত হায়বা থৌশিল অদু মালেমগী ওইনা লৈঙাক্না শেল থাদবা খ্বাইদগী চাউবা হেল্‌ঠ ক্যের প্রোগ্রাম অমনি। থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা মীওই ক্রোর ৫০ দা খুদোংচাবা পীননবা পান্দম থল্লি।

স্কিম অদুগী মখাদা কেসলেস অমসুং পেপরলেসকী থৌশিল পায়খৎতুনা মীয়ামদা খুদোংচাবশিং ফংহনগনি। লৈবাক অসিগী ৭২ শুবা নিং-খা তম্বা নুমীৎ থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাবা ফংহনগদবা স্কিম অমা হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লৈঙাক্না শেল থাদবা হেল্‌ঠ ক্যের স্কিম অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

লায়রবা মীওইশিংদা মগুন লৈবা অমসুং মখোয়না পুবা ওন্না চাংদা হেল্‌ঠ ক্যেরগী থৌশিল পায়খৎপা হায়বদু চপ চারবা মতম অমনি। হেল্প লাইন নম্বরদা স্কিম অদুগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা লৈবশিং হকথেংননা খঙহল্লকপা য়াগনি। লৈবাক শিন-থুংনা চৎনগদবা স্কিম অদুনা মীওই কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি। স্কিম অদুগী মখাদা ইমুং অমনা চহী অমদা লুপা লাখ ৫ ফাওবগী অনা-লায়েংগী তেংবাং ফংবা ঙমগনি। মদু সেকেন্দরি অমসুং টর্সরি ক্যের ওইনা হোস্পিটালদা পুখৎপা মতমদা খুদোংচাবা অদু ফংগদবনি হায়রি।

# বস অমা কোমদা তাশিনবদা মীওই ৫০ শোক্লে

মুজাফরনগর, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): দিল্লি-হরিদ্বার নেসনল হায়ৱেগী হারেদি বাই পাসতা ঙসি অয়ুক মীওই কয়া পুবা বস অমা মথক মখা ওন্দুনা কোম অমদা তাশিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (সিটি) ওম্বীর সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা, বস অদু মীওই ৬০ রোম পুদুনা দিল্লিগী গোবিন্দপুরিদগী হরিদ্বার তম্না চৎখিবা মুজাফরনগরদগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্না লৈবা মফম অমদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মীওইশিং অদু গঙ্গা তুরেলদা লাইগী মুর্ত্তি অমা থাদনবা চৎখিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওই ৬০ রোম পুবা বস অদু দিল্লি-হরিদ্বারগী নেসনল হায়ৱেগী হরেদি বাই পাসকী লম্বী মতায়দা লৈবা কোমকুৎ অমদা মথক মখা ওন্দুনা তাশিনখিবদগী মীওই কয়া অশোক অপন নংখি। অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১৯ দি মখা তানা লায়েং চত্থরি হায়রি।

# টি দি পিগী লুচিংবা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী এম এল এ অমা ভিসাখপত্নমদা নেক্সেলশিংনা হাৎখ্রে



ভিসাখপত্নম, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): অন্ধ্র প্রদেশকী এম এল এ অমসুং তেলেগু দেসম পার্টি (টি দি পি) গী লুচিংবা কে সর্বেস্বরা রাও (৪৫) ঙসি নেক্সেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। কে সর্বেস্বরা রাও অরাকু (সেদ্যুল ত্রাইব) সিটতগী কারককখিবা মীওইনি। মহাক্না লোয়ননা হান্নগী এম এল এ সিভেরি সোমা (৫২) না ভিসাখপত্নমদগী কিলোমিটর ১২৫ রোম লাপ্না লৈবা থুতাঙ্গি খুঙ্গংদা চৎপদা এটেক চত্থরকখিবনি।

থৌদোক অদুদা হান্নগী এম এল এ সিভেরি সোমাসু লৈখিদ্রে হায়রি। পাউ অসিগী মতুংইন্না টি দি পিগী লুচিংবা অনী নেক্সেলশিংগী এটেক্তা ঙসি লৈখিদ্রে। মখোয় খুঙ্গং অদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা এটেক অদু চত্থরকখিবনি। হল্লকপগী লম্বীদা মাওইষ্টকী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা নুপী কাদর কয়া য়াওবা কাঙবু অমনা লম্বীদা ঙাইহুনা লৈরম্লগা লোয়ননা লুচিংবশিং অদুনা তোংবা গাড়ী অনীদা এটেক চত্থরকখিবনি। মাওইষ্টশিং অদুনা মখোয় লমদম অদুদা লাক্তনবা অমসুং এরিয়া অদুদা মাইনিং তৌদনবা খঙহল্লকখি। লোয়ননা এম এল এশিং অদুনা পাউখুম পীননবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

টি দি পিগী লুচিংবা অনীমক থবাক অমসু কোক্কী শরুক্তা নোংমৈ মরুশিং পানবগা লোয়ননা মফম অদুমক্তদা শিখি। পাউ অদু হেক ফংবগা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। রাও অমসুং সোমাগী মথক্তা মাওইষ্টশিংনা মমাঙদা কিহল্লকপা কয়াসু লৈখ্রবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎশিং চেকশিন থৌরাং য়াওদনা কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা চৎতনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

রাও অরাকু ত্রাইবেল রিজার্ব কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লকখিবনি। চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা এম এল এ অদুগী মথক্তা লো কায়বা মওংদা মাইনিং তৌনবা হোৎনৈ হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ত্রাইবেল কয়ানা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি। ভিসাখপত্নমগী দি আই জি শ্রীকান্তনা হায়, ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা মাওইষ্টকী মেম্বর ২০ লোম্না এটেক চত্থরকখি। মদুদা মীওইশিং অদু লৈখিদ্রে অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা পায়বা খুৎলায় কয়া লাক্তুনা পুখ্রে হায়খি।

# অহানবাওইনা রাজস্থানগী নুপী অমা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইবা থেংনরে

জয়পুর, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): রাজস্থানগী জয়পুরদা কাঙনা শন্দোকপা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইবা নুপী অমা থেংনরে হায়না মেদিকেল কোলেজগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থান্দা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইবা থেংনবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। নুপী অদু সৱাই-মন সিংহ (এস এম এস) হোস্পিটালদা চৎলিবা থা অসিগী ১১ দা লায়েংনবা পুখৎলকখি। নুপী অদু মীৎ ঙাঙবা অমসুং মশা শোন্থবগী লায়ওং কয়া উৎলকপগা লোয়ননা দেঙ্গী অমসুং স্বাইন ফ্লুগী চাংয়েং তৌখি। অদুম ওইনমক নেগেটিব ওইবা থেংনখি। মখা তানা নুপী অদুগী ঈগী সেম্পল পুনেদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিদা জিকা ভাইরস চাংয়েং তৌননবা থাখি।

চাংয়েং অদুদা মহাক জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখিবনি হায়না এস এম এস মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. য়ু এস অগ্রৱালনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

ডোক্তর অদুনা হায়, ষ্টেট অদুদা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইবা থেংনবা হন্দক্কী অসিনা অহানবা কেস ওইরে। নুপী অদু জয়পুরগী সাষ্ট্রি নগর লমদমদা লৈবনি। মহাক্কী ফীভম ফগৎলকপদগী নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রবনি। নুপী অদুগী ঈগী সেম্পল চাংয়েং তৌবদা জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রবা মতুং হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। জিকা ভাইরস পোজিটিব ওইরে হায়বা খঙবগা লোয়ননা নুপী অদু মখা তানা লায়েংনবা থৌশিল পায়খৎলে হায়রি।

জিকা ভাইরস হায়না খঙনবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অদু অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৪৭ তা উগন্দাদা থেংনখিবনি। লায়না অদু অহানবদদি য়োংশিংদা নাবা থেংনখি। অদুম ওইনমক কুমজা ১৯৫২ দদি উগন্দা অমসুং য়ুনাইটেদ রিপব্লিক ওফ তাঞ্জানিয়াদা লৈবা মীওইশিংদা নারকপা থেংনখি হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

# ৱাটচএপনা ইন্দিয়াদা গ্রিভান্স ওফিসর হাপখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৩ (এজেন্সী): মোবাইল মেসেজিং এপ ৱাটচএপনা ইন্দিয়াদা ৱাকৎ কয়া লাকপা থেংনখ্রবা মতুং গ্রিভান্স ওফিসর হাপখ্রে। ৱাটচএপতা অরানবা পাউ কয়া শন্দোকপগী মতাংদা ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎনরকখিবা লৈখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু হিরম অদুগী মতাংদা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না ৱাটচএপ কম্পেনিনা ইন্দিয়াগীদমক গ্রিভান্স ওফিসর হাখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়াম চঙদুনা মী হাৎপা অমসুং ফুবগী ৱাথোকশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ফেসবুক্কীসু মপু ওইরিবা কম্পেনি অদুনা থেংনরিবা ফেক ন্যুজগী খুদোংচাদবশিং লাকশিন্নবগীদমক গ্রিভান্স ওফিসর হাপখিবনি হায়রি।

য়ু এসকী মপান্দা লৈরবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শন্দোক্লিবা মেসেজিং এপ অদুগী গ্রিভান্সেস ওফিসর কোমল লাহিরিদা মোবাইল এপতা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মতেং লৌনবা হায়জরকপা য়াগনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না লাহিরি ৱাটচএপকী গ্লোবেল কষ্টমর ওপরেসন অমসুং লোকেলাই-জেসনগী সিনিয়র দিরেক্টর ওইরিবা মীওইনি। হৌজিক হিরম অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা কম্পেনি অদুগী ৱেবসাইটতা য়াওরিবা শরুকশিং কুপ্না য়েংশিল্লগনি। গ্রিভান্স ওফিসর হাপ্পগী থৌশিল অদু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ৱারেপ লৌখিবনি।

ৱাটচএপ শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা কম্পেনি অদুদা সপোর্ট তৌবীবগা লোয়ননা পামদবা ৱাকৎশিং লাক্তনবা অমসুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎনব-গীদমক গ্রিভান্স ওফিসরদা কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি হায়রি।

ৱাটচএপকী টার্ম ওফ সার্ভিস অমসুং একাউন্টশিংগী মখাদা মরী লৈনব-শিংনা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপা য়াগনি। লোয়ননা লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসলশিংনা লৌখৎপা য়াবা থৌশিলশিংসু লেপথোক্কনি হায়রি।

**NURSES WANTED URGENTLY**

Wanted Staff Nurses urgently (ANM/GNM). Interested candidates may contact Tel. No. **0385-2445966**.

☞ ***Timing :* Between 3 - 4 p.m.**

HL-C/84/23-25

**OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**

**ꯆꯥꯡꯂꯣꯟ/NOTICE**

Dated : 20/09/2018

No.IMC/96/Reg./Shop-Trnf//2016/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Market No. 3, New Market Shed No. 9, L.No. 27 শ্রী/শ্রীমতি Sanabam (O) R.K. Ibetonsana Devi, W/o. S. Rajdhon Singh of Takyel Kolom Leikai গী মীংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশা লৈখিদ্রে মরম অদুনা মৃতু Licence Holder গী মচাশিংনা Sanabam (O) Jamuna Devi, W/o. S. Iboyaima Singh of Takyel Kolom Leikai দা Woman Vendor গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence কা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence কী মীং ওনখ্রগনি।

*Sd-* **Assistant Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation

*HL-P/2192*




HL-P/5422/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

***Ref:- Mut. Case No. 460 of 2018***

1. Loktongbam Ranjit Singh S/o. (L) Thambou Singh of Yumnam Khunou
2. -do- Tomba Singh S/o. (L) -do- of -do-
3. -do- Brajamani Singh S/o. (L) -do- of -do- (Share of 1,2,3 0.06 acre from Dag No. 1072)
4. Khundrakpam Bala Devi W/o. Kh. Bobi Singh of -do- (0.04 acre from Dag No. 1071)
5. Loktongbam Birachandra Singh S/o. (L) Achou Singh of -do-
6. -do- Jayanta Singh S/o. (L) Biren Singh of -do- (Share of No. 5,6 is 0.14 acre from Dag No. 1071)

*...... Applicants*

-Vrs-

1. (L) Loktongbam Achou Singh S/o. (L) Tonungshi Singh of Yumnam Khunou
2. (L) -do- Thambou Singh S/o. (L) -do- of -do- and others.

*...... O.P. Pattadars*

**ꯆꯥꯡꯂꯣꯟ/NOTICE**

Oinam, the 22nd Sept., 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩১- য়ুম্নাম খুনৌগী পাট্টা নং ১১৩ (অনৌবা) দাগ নং ১০৭১, ১০৭২, ১০৭৩ এরিয়া একর ০.১৮, ০.০৬, ০.১০ চাওবা ইংখোল অসিদা পাল্লিবা পাট্টাদার ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা মৃ: পাট্টাদার অনীগী শরুক অসি দরখাষ্টকী মতুংইন্না মাগী মাগী শরুক নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। কনাগুম্বনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Budhichandra Singh**
***Sub-Deputy Collector, Oinam***

*HL-P/5419/24*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

***Ref:- Mut. Case No. 463/SDC/Oinam of 2018***

1. Oinam Sharat Singh S/o. (L) Ibochou Singh of Oinam Bazar
2. -do- Ajit Singh S/o. (L) -do- of -do- (Share of 1 & 2, 0.18 acre on the North)
3. Oinam (N) Ngangom (O) Sorojini Devi W/o. (L) Tomba Singh of -do-
4. -do- Irengbam (O) Nalini Devi W/o. Ibohalbi Singh of Irengbam (Share of 3 & 4 0.19 acre on the Souths)

*...... Applicants*

-Vrs-

1. (L) Oinam Ibohal Singh S/o. (L) Amuningthou Singh of Oinam
2. (L) -do- Ibochou Singh S/o. (L) -do- of -do-

*...... O.P. Pattadars*

**ꯆꯥꯡꯂꯣꯟ/NOTICE**

Oinam, the 22nd Sept., 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩০- ওইনামগী পাট্টা নং ১৬০ (অনৌবা) দাগ নং ১৯৬ এরিয়া একর ০.৩৭ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অনী অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কল্লগা মাগী মাগী শরুক নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

*Sd/-* **S. Budhichandra Singh**
***Sub-Deputy Collector, Oinam***

*HL-P/5419/24*

**IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL**

**W.P.(C) No. 820 of 2018**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying for issuance of a writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction that this Hon'ble Court deems fit and proper; the illegal, arbitrary and discriminatory non appointment of the petitioner to the post of Driver in the Health Department, Manipur though persons whose names appeared below his name in the selection order for appointment to the said post were given appointment vide the impugned order dated 27-08-2018; a writ petition filed on behalf of the petitioner praying for setting aside the impugned order dated 27-08-2018 in respect of the private respondents with a further prayer to direct the official respondents to appoint the petitioner to the post of Driver in the Health Department, Govt. of Manipur within a stipulated period.

Shri Koijam Lakshmi Kanta, aged about 33 years, S/o (L) Koijam Ibohal Singh, resident of Thangmeiband Meisnam Leikai, P.O. & P.S. Lamphel, District Imphal West, Manipur, Pin-795004.

...PETITIONER

- Versus -

The State of Manipur through the Principal Secretary/ Commissioner/Secretary (Health & FW), Govt. of Manipur, Secretariat North Block P.O., P.S. Imphal and District Imphal West, Manipur- 795001 & 29 Others.

...RESPONDENTS

**To**

| | | |
|---|---|---|
| 1) | Dimthaopou Rongmei | Respondent No. 3 |
| 2) | H.S. Ngamrei | Respondent No. 4 |
| 3) | Ngamneo Mate | Respondent No. 5 |
| 4) | N. Loveson Meitei | Respondent No. 6 |
| 5) | Satyajit Khuraijam | Respondent No. 7 |
| 6) | B. Guneshwar Sharma | Respondent No. 8 |
| 7) | Hidam Ranjit Singh | Respondent No. 9 |
| 8) | A. Suresh Singh | Respondent No. 10 |
| 9) | M. Ramanada Singh | Respondent No. 11 |
| 10) | Thiyam Jotin Singh | Respondent No. 12 |
| 11) | Y. Ibomcha Singh | Respondent No. 13 |
| 12) | Th. Herojit Singh | Respondent No. 14 |
| 13) | Md. Riyaj Khan | Respondent No. 15 |
| 14) | Md Banda Khan | Respondent No. 16 |
| 15) | M. Ahngroulhung Maring | Respondent No. 17 |
| 16) | D. Momingson | Respondent No. 18 |
| 17) | Ng. Gobin Moyon | Respondent No. 19 |
| 18) | Dangsawa James Maring | Respondent No. 20 |
| 19) | Ks Angphun Maring | Respondent No. 21 |
| 20) | Y. Moderson Makunga | Respondent No. 22 |
| 21) | T. Charariga James Maring | Respondent No. 23 |
| 22) | Dangshawa Angshil | Respondent No. 24 |
| 23) | Korungkhul Dangshawa Maring | Respondent No. 25 |
| 24) | Tk Mothilphun | Respondent No. 26 |
| 25) | As Ngathingpam | Respondent No. 27 |
| 26) | Ls Momingso | Respondent No. 28 |
| 27) | Ngamtrirau Gideon Saka | Respondent No. 29 |
| 28) | Tontanga Jasper Maring | Respondent No. 30 |

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**

**(SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 05.09.2018 passed in WP(C) No. 820 of 2018 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 30 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable on 08.10.2018.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 08.10.2018 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 20th day of September, 2018.

**By Order,**

By: Mr. Kh. Tarunkumar,

**M.C. NANDINI**
ASSISTANT REGISTRAR-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

HL-P/5417/24&25